# কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক লোয়শিন্নবা য়ুরোপ শিন থুংনা ভেক্সিনেসন হৌখ্রে

ব্রসেলজ, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
শেল থুমগী থবক থৌরমশিংদা চৈথেং পীবগা লোয়ননা মালেম পুম্বগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ১.৭ হেন্না শিহনখ্রবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লোইশিন্নবা হোৎনবদগী শরুক ওইনা মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা য়ুরোপ শিনথুংনা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রোম অমা নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌখ্রে।




মীওই মিল্লিয়ন ৪৫০ লৈবা লমদম অসিনা ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন অনী লৌনবগীদমক্তা সপ্লাইয়র কয়াগা কনটেক্ট তৌনখি। কুমজা ২০২১ ফাওবগী মনুংদা লমদম অসিগী মপুং মরৈ ফারবা মীওই খুদিংমক ভেক্সিন কাপথোকপগী পান্দম থল্লি।

মালেমগী ওইনা য়েংবদা য়ুরোপতা রিসোর্ছ মরাং কায়রবা হেল্থ কেয়র সিষ্টেম খরা লৈরবসু ক্রোস বোর্দর ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসি মায় পাক্লা তৌবদা পাম্বে মখল শুনা শীজিন্নগদৌরি। লৈবাক খরনা থবক্তগী পোত্থারবা মেদিকশিংবু মতেং পাংহনগদৌরি। অতৈ লৈবাক কয়ানা ইঞ্জেক্সন পীগদৌরিবা মীওইশিং গভর্ণ তৌরিবা রুলশিং কোমথোক্লি।

সর্ভে কয়াদা ফ্রান্সতগী পোলেন্দ ফাওবদা লৈরিবা লৈবাকশিংদা ভেক্সিন কাপ্পদা য়ানিংদবগী চাং ৱাংবগী ইঙ্গিৎ ফংখিবা ওইরবসু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাক ২৭ কী লুচিংবশিংনা ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম অসি মথং চহীদা মীয়ামগী পুন্সি মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনহন্নবগী খ্বাইদগী ফরবা পাম্বে অমা ওইনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরকখিবনি।

তুং কোইনা চৎকদবা কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক লোইশিন্নবগী খ্বাইদগী ফরবা পাম্বেদি ভেক্সিনেসন্নি হায়না প্রোগ্রাম অদুবু কোওর্দিনেট তৌরিবা ব্রসেলজদা বেজ তৌবা য়ুরোপিয়ন কমিসনগী প্রসিদেন্ট উর্সুলা ভোন দের লেয়েননা ফোঙদোকখি।

য়ুরোপিয়ন গভর্ণমেন্টশিং কুমজা ২০২০ গী অওনবা শরুক্তা কোরোনা ভাইরস লাইচৎ লাকশিন্নবা খুৎশম্ন না হোৎনমিন্নদবগীদমক্তা মাইকৈ কয়াদগী ক্রিটিসাইজ তৌনখিবনি। হৌজিক পায়খৎলক্লিবা লমদম অসিগী ঙমখৈ লৈতবা প্রোগ্রাম অসিনা লমদম অসিগী মফম খুদিংমক্তা ভেক্সিনগী খুদোংচাবা চপ মান্ননা ফঙহল্লগনি।

তৌইগুম্বসুং ব্লোক অসিদা য়াওরিবা হঙ্গেরিনা নোংমা ঙনখত্তুনা থাংজ নুমিত্তা ফাইজর অমসুং বাইওএনটেক্কী ভেক্সিন দোজশিং কেপিটেল বুদাপেষ্টগী হোস্পিটালশিংদা থবক তৌরিবা ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিংদা কাপখি।

ফ্রান্স জর্মনি, ইটালি, ওষ্ট্রিয়া, পোর্টুগল অমসুং স্পেন য়াওনা লৈবাক কয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তগী মাস ভেক্সিনেসন হৌনবা থৌরাং তৌখ্রবনি। অহানবদা হেল্থ ৱার্করশিংদা ভেক্সিন কাপকনি। ঈ য়ুগী ৱাংমদা বৃটেন, স্বিটজর্লেন্দ অমসুং সর্বিয়ানা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রবনি।

# লিবিয়াগী ইষ্টর্ন কম্মান্দর হাফটর অমসুং মহাকপু শৌগৎপশিংদা টর্কিনা ৱার্নিং তৌখ্রে

অনকারা, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
লিবিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা বেজ তৌবা খালিফা হাফটরগী ফোর্সশিং অমসুং মখোয়বু শৌগৎপশিংনা লমদম অদুদা লৈরিবা টর্কিস ফোর্সশিংদা এটেক তৌনবা হোৎনরক্লবদি মখোয় খুৎ থাবা য়াবা লিজিটিমেট টার্গেটশিংনি হায়বগী মিৎয়েং থমগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা টর্কিস দিফেন্স মিনিষ্টর হুলুসি অকরনা ৱার্নিং তৌখ্রে।



ইষ্টর্ন কম্মান্দর হাফটরগী লিবিয়ন নেস্নেল অর্মী (এল এন এ) না চহী কয়া লান্থেংনরক্লিবা ত্রিপোলিদা বেজ তৌবা মালেমনা শকখঙবা গভর্ণমেন্ট ওফ নেস্নেল একোর্দ (জি এন এ) শৌগৎপা মরু ওইবা মপানগী লৈবাক্তি টর্কিনি। এল এন এবুনা রশিয়া, য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটস অমসুং ইজিপনা শৌগৎলি।

হৌখিবা ওক্তোবরদা জি এন এ অমসুং এল এন এনা শিজফায়র এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখি অমসুং য়ুনাইটেদ নেসনননা সোল্যুসন অমা ওইনা মথংগী চহীদা মীখল পাঙথোকপা য়ানবগী পান্দমগা লোয়ননা পোলিটিকেল দাইলোগ চত্থবা য়ানবা হোৎনদুনা লাকখি। লিবিয়াদা ঈং তপ্পা লাক্লবা মতুংদা ৱারোইশিন অমা লাকহন্নবা মালেম পুম্বনা হেন্না কন্না হোৎনবা রশিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা আপীল তৌখি।

ত্রিপোলিদা লৈরিবা টর্কিস ক্রুপশিং য়েংশিনবা চৎপা খোঙচৎ অমদা অকরনা হায়খি। হাফটরনা হন্দক্তা লিবিয়াদা লৈরিবা টর্কিস ফোর্সশিংদা এটেক তৌনবা আপীল তৌখি। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা অকরনা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা পোলিটিকেলগী ওইবা ৱারী শানবা শৌগৎনবা তকশিনখি।

ৱার ক্রিমিনেল ফাইটর অমসুং মহাকপু শৌগৎপশিংনা খঙগদবদি টর্কিস ফোর্সশিংদা এটেক চত্থরকপা তারবদি কিলর হাফটরগী ফোর্সশিং মফম খুদিংমক্তা লিজিটিমেট তার্গেটশিংনি হায়না লৌগনি। মসি মখোয়না কাওরোইদবনি। মখোয় টর্কিস ফোর্সশিংদা এটেক তৌরবদি চেনফম লৈরোই হায়বসি খঙগদবনি।

মীপুম খুদিংমক্তা পোলিটিকেল ৱারোইশিন পুরক্লবা অওম্বা থৌদাং লৌরগনি হায়না অকরনা মখা তাখি। জি এন এ অমসুং এল এন এগী মরক্তা লৈরিবা মুক্লবগী ফীভম অদুগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা য়ানবা মোস্কোগা ৱারী শান্ন-শান্ননা টর্কিনা জি এন এ লৌগত্তুনা মিলিটরি পর্সনেল অমসুং ইক্বিপমেন্টশিং থাখি।

ত্রসতা য়াওরিবা ৱাফমশিংগী মতুং ইন্না নাকল অনীগী মরক্তা ফ্রন্টলাইনদা লৈরিবা ফোর্সশিং লৌথোকপা য়াবগী ফীভম লাকখিবা ওইরবসু নাকল অনীমক্কী মপানগী সপোর্টরশিংনা অথিংবা থুগাইদুনা খুৎলাই পীশিনবদগী মুক্লবগী ফীভম হন্থদবনি হায়না য়ু এনগী এক্সপার্ট পেনেল অমনা হায়খি।

# কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা ভেরিয়ন্ট

## স্বিদেনদা অনৌবা ভেরিয়ন্ট দিটেক্ট তৌখ্রে

*ষ্টোকহোম, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী):*
*বৃটেনদা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সন থুনা হেনগৎহল্লিবা ভাইরস অসিগী অনৌবা ভেরিয়ন্ট অদু স্বিদেনদা দিটেক্ট তৌখ্রে। য়ুনাইটেদ কিংদমদগী লাকপা ত্রাভেলর অমা মশা নুংঙাইরক্তবদগী টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরল্লে হায়না স্বিদেন হেল্থ এজেন্সিনা থাংজনুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।*

*হেল্থ এজেন্সিগী ওফিসল সারা বাইফোর্সনা পাউগী মীফম অমদা হায়খি, ত্রাভেলর অদু তোঙান্না নাইতোম ওইনা থমখ্রে। হৌজিক ফাওবদি অহেনবা পোজিটিভ কেসশিং থেংনদ্রি। রিজনেল ইনফেক্সন কন্ট্রোলগী দোক্টর অমা ওইরিবা সিগনে মোকিটালোগী মতুং ইন্না মশক খঙদবা লম কোয়বা মীওই অদু ষ্টোকহোল্মগী খাথংবা সোর্মলেন্দদা লৈ। অনৌবা কোরোনা ভাইরস ভেরিয়ন্ট অদু হৌজিক মফম অদুদা চাইথোক্তুনা লৈরিবা অতৈদগী হেন্না লৌনগল্লি হায়না থাজনরিবনি।*

*অনৌবা ষ্ট্রেন পক্লবা মীওই অদু খৃষ্টমাস য়াওনবগীদমক্তা গ্রেট বৃটেনদগী সোর্মলেন্দদা লাকখিবনি হায়না মাকিতালোনা ফোঙদোকখি।*

*ভেরিয়ন্ট অদুগা মরী লৈননা থা অসিগী অঙনবদা স্বিদেননা বৃটেনদগী লাকপা পোসেঞ্জরশিং চঙলকপদা অথিংবা থমখি। ঈ য়ুগী অতৈ লৈবাক কয়া অমদি মালেমগী লৈবাক কয়ানা মান্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎখিবনি।*

# বাংলাদেশনা অনীশুবা বেটচকী রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিং অরাপ্পা ঈথৎতা থারগনি



ধাকা, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
বাংলাদেশনা য়ুমথংনরিবা ম্যান্মারদগী চেল্লকখিবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিংগী অনীশুবা বেটচ অমা থা অসিগী মনুংদা লাপ্পা লৈবা বে ওফ বেঙ্গলগী ভসন চার ঈথৎতা থানবা থৌরাং তৌরি হায়না ওফিসলশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

রাইটস গ্রুপশিংনা মখা তানা রেফ্যুজি হান্না লৈরিবা মফমদগী অরাপ্পা মফমশিংদা হোংদোক্তনবা আপীল তৌবা লৈনা লৈনা বাংলাদেশকী ওথোরিটিশিংনা খোঙথাং অসি লৌখৎলক্লিবনি।

ম্যান্মারদগী চেল্লকখিবা মুস্লিম মাইনোরিটি কাঙলুপ অমগী মীওইশিং ওইরিবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি ১০০০ রোম মথংগী নুমিৎ খরনি অসিদা ঈথৎ অদুদা পুরগনি হায়না হীরম অসিগী মতাংদা হকথেংননা খঙবা ওফিসল অনীনা ফোঙদোকখি।

ওফিসল অনীদুগী মনুংদা অমনা ফোঙদোকখিবদা, রেফ্যুজিশিং অদু অহানবদা চিটাগোংদা পুগনি অমসুং সমুদ্রগী ঈথক ঈপোমগী ফীভম মখা পোন্না ভাসন চারদা পুগনি হায়রি।

রেফ্যুজিশিংগী চার্জ পুরিবা বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টগী দেপ্যুটি ওফিসল মোহম্মদ সামসুদ দৌজানা হায়খি, রেফ্যুজিশিং ঈথৎ অমদা হোংদোকহনগদৌরিবদু মশাগী অনিংবা অপাম্বগী মতুং ইন্ননি। মখোয় মশাগী অনিংবা অপাম্বগী মায়োক্তা থাগদবা নত্তে।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়রি মদুদি বাংলাদেশনা মখোয়দা বে ওফ বেঙ্গলগী ঈশিং ঈচাও থোক্কনবা ঈথৎ অমা ওইরিবা ভাসন চারগী সেফটি অমসুং টেক্নিকেলগী ৱাফমশিং য়েংশিনহন্দ্রি। লোয়ননা মফম অদুদা রেফ্যুজিশিং হোংহনবদা মালেমগী বোদি অসি চেন্নদে।

অমরোমদা বাংলাদেশনা হায়রি মদুদি ঈথৎ অদুদা রেফ্যুজি হোংদোক্কদৌরিবদু মশানা য়ানিং-বশিংনি। মদুনা রোহিঙ্গা মিল্লিয়ন অমা হেন্না শৈদাংদুনা লৈরিবা কেম্পশিংদা কা হেন্না মী চিল্লিবদু কোমথোকহল্লগনি।

তৌইগুম্বসুং রেফ্যুজিশিং অমসুং অৱা-অনাশিং মতেং পাংলিবশিংনদি রোহিঙ্গা খরা নমদুনা ঈথৎ অদুদা চৎহল্লি হায়না ফোঙদোকখি। তোয়না ঈশিং খুমগনবা ঈথৎ অদু শুপ্নগী চহী ২০ গী মমাংদা ঈশিংদগী ফাওগৎলকখিবনি।

মমাংদা থা অসিগী অঙনবদা বাংলাদেশকী ফোরেন মিনিষ্টর অব্দুল মোমেননা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি ভাসন চারগী ফীভম য়েংশিন্দ্রিঙৈগী মমাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা অহানবদা ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতা রেফ্যুজি হলহনবা য়াবগী ফীভম লৈরব্রা হায়বদু খঙ দোক্কদবনি। ম্যান্মারদা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিং হলহনবা হৌনবা হোৎনখিবা কয়া রেফ্যুজিশিংনা মখোয়বু হাৎ তুপ্নগী থৌওংশিং অমুক চত্থরক্কদ্রা হায়বগী অকিবা লৈ হায়বদগী ফেল ওইখিবনি।

# কাবুলদা তোঙান তোঙানবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা মীওই ৪ শিরে

কাবুল, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানগী কেপিটেল সিটি কাবুলদা পরিং নাইনা চত্থরকখিবা বোমগী এটেকশিংগী খ্বাইদগী নৌবা থৌদোকশিং ওইনা তোঙান তোঙানবা বোম পোখায়বগী থৌদোকশিংদা পুলিস ওফিসল অনী য়াওনা মীওই মরি শিখ্রে অমসুং অতৈ মরিনা অশোক অপন নংলে হায়না গভর্ণমেন্ট স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পব্লিক হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন মুসুনা জফারিনা ফোঙদোকখিবদা থংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা কাবুলদা তোঙান তোঙানবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মীওই অনী য়াওনা শিখিবা মীওই মরি অমসুং অশোকপা মীওই মরি কাবুল এম্বুলেন্স সার্ভিসনা হোস্পিটালশিংদা হোনখি।

পুলিস দিষ্ট্রিক্ট ৩, ৬, ৮ অমসুং সিটিগী নোংপোক থংবা চিদাইদা লৈবা দেহ সাবজদা থোকখিবা থৌদোক পুম্নমক ইমপ্রোভাইজ ইক্সপ্লোসিভ দিভাইস (আই ঈ দি) শিংনা থোকহনখিবনি। হৌখিক ফাওবদা গ্রুপ অমত্তনা এটেকশিংদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরক্ত্রি।

থাংজ নুমিৎকী বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং অসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পি দি ৭ তা আই ঈ দি অমা পোকখায়খিবদা নুপী ডোক্টর অনী য়াওনা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা জেলগী ইমপ্লোয়ী মরি অমসুং মীচম অমা শিখ্রবা মতুংদা থোক্লকখিবনি। মমাংগী ব্লাষ্ট অদুদা মীওই অনী শোকখি। মমাংগী বোম পোকখায়বগী নুমিৎতুমক্তদা পি দি ১২ দা গনমেনশিংনা অর্মী কর্নেল অমা হাৎখি।

মহাক কাবুল মিলিটরি য়ুনিভর্সিটিগী ওজানি। চয়োল অসিগী অঙনবদা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমদা দিসেম্বর ১৭ তগী ২০ ফাওবদা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা মীচম ২৮ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৪৭ শোক্লে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ক্লেম তৌখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না অফঘানিষ্টানদা হৌখিবা খা অহুম খরা হেনবগী মতম মনুংদা পুন্না সুইসাইদ এটেক ৩৭ অমসুং বোম পোকখায়বগী থৌদোক ৫১০ দা মীচম ৫০০ রোম শিখি অমসুং অতৈ ১,০৫০ হেন্না শোকখি হায়রি।

য়ু এন এসিষ্টেন্স মিসন ইন অফঘানিষ্টান (য়ুনামা) না হৌখিবা ওক্তোবরদা রিলিজ তৌখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না চহী অসিগী জন্যুৱারি ১ দগী সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবদা পুন্না মীচম ২,১১৭ হাৎখি অমসুং ৩,৮২২ শোকখি হায়রি।

# পাকিষ্টানদা মিলিটরি হেলিকোপ্টর কায়বা, বোম পোকখায়বদা মীওই ৬ শিরে



ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
পাকিষ্টান অর্মীগী হেলিকোপ্টর অমা গিলগিট বাল্টিষ্টান (জি বি) রিজনদা কায়বদা মীওই মরি শিরে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মিলিটরি ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মিলিটরিগী মীদিয়া ৱিং ইন্টর সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্সনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা হায়, হেলিকোপ্টর অদু থাংজ নুমিত্তা লমদম অদুগী মিলিটরি হোস্পিটাল অমদা লান্মী অমগী অশিবা হকচাং পুরিঙৈদা টেক্নিকেলগী ওইবা মরম খরদগী কায়খিবনি। মেজর রেঙ্ককী ওইবা পাইলোট অমসুং কো পাইলোটকা লোয়ননা লান্মী অনী হোলিকোপ্টর কায়বদুদা শিখি। গ্রাউন্দদা মীশি মীনা থোকপগী পাউদি ফংখিদে।

জি বিগী লোকেল সোর্ছ অমনা এজেন্সিদা হায়খিবদা থৌদোক অদু য়ুমকৈশিং লৈতবা মনুং হঞ্জিনবা ভেলি অমদা থোকখিবনি। এক্সিদেন্ট অদুগী মতুংদা মিলিটরি টিমশিং হেলিকোপ্টর কায়ফম অদুদা থুংখি অমসুং কাইখ্রবা হেলিকোপ্টর অদুগী অকাই অতোই মরক্তগী হকচাংশিং অদু লৌখৎখি।

অমরোমদা পাকিষ্টানগী বালোচিষ্টান প্রোভিন্সকী ফুটবোল গ্রাউন্দ অমগী মনাক্তা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মীওই অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই নিপাল অশোকঅপন নংলে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। পাংগুর দিষ্ট্রিক্টতা গেম অমা লোয়রবা মতুংদা টিম অনীগী শান্নরোয়শিং অমসুং ভাবোকশিংনা ফুটবোল গ্রাউন্দ অদু থাদোক্লবা হৌরকখিবগা লোয়ননা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

অশোকপশিং অদুগী মনুংদা মেটচ অদুবু শান্নরিবা অমদি য়েংলিবা হায় স্কুল অমগী মহৈরোয় নুপামচাশিং য়াওরি হায়না প্রেভিন্স অদুগী স্পোক্সমেন লিয়াকট সাহৱানিনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না, অশোকপশিং অদুগী মনুংদা খরদি ফীভম লুনা লৈ। মিলিটেন্ট মুত্থৎনবগী প্রেভিন্সিএল গভর্ণমেন্টকী ফীরেপতা অসিগুম্বা পাংদবগী থবক থৌওংশিংনা নিংহন্নবা পীবা ঙল্লোয়। এটেক অসিদা চেন্নবশিং ফারগা ৱায়েল মায়োক্লহনগনি হায়না সাহৱানিনা ফোঙদোকখি।

পুলিসকী সোর্ছশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু আই ঈ দি অমা মোটোরবাইক অমদা প্লান্ট তৌরগা থোকহনখিবনি। মতিক ময়াই লৈরবা পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা অতৈ গাড়ী অনী অমাং অতা থোকখি হায়রি।

# পোলিটিকেল ৱাথোক মরক্তা নেপালদা কোভিদ-১৯ লায়চৎকী অকিবা লৈরে



কথমান্দু, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
নেপালগী পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউস নত্রগা দি হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভস হৌখিবা চয়োলদা মুত্থৎখিবদগী পাক শন্না প্রোটেষ্ট কয়া তৌদুনা লৈবাক অসিদা অচৌবা পোলিটিকেল ৱাথোক অমা থোক্লক্লিঙৈ চৈরক্তা হেল্থ ওফিসলশিং অমসুং এক্সপর্টশিংনা লৈবাক অসিদা নোভেল কোরোনা ভাইরস লাইচৎ কনশিল্লকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

রুলিং নেপাল কম্যুনিষ্ট পার্টি মনুংদা পোলিটিকেলগী মুক্লবা লৈরিঙৈদা কেবিনেটনা রিক্কম্মেন্দ তৌখিবগী মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট বিদ্যা দেবী ভান্দারিনা দিসেম্বর ২০ দা হাউস মুত্থৎখি অমসুং অনৌবা পার্লিয়ামেন্টরি মীখল এপ্রিল ৩০ অমসুং মে ১০দা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখি।

পার্লিয়ামেন্ট মুত্থৎপগী খোঙথাং অদু অনকন্সটিট্যুস্নেল ওই হায়না খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎনরকখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অদুবু কন্সটিট্যুসন্না য়াবা ওই নত্রগা ওইদে হায়বদু য়েংশিল্লগনি।

পার্লিয়ামেন্ট মুত্থৎপদু কোর্টনা য়াবা তারবদি হিমালায়ন লমদমগী লৈবাক অসি কুমজা ২০১৭ তা ইকোন কোনবা মীফম পাঙথোকখিবা মতুং চহী অহুম হেনবগী মতুংদা অনৌবা মীখল পাঙথোক্লগনি। পার্লিয়ামেন্ট মুত্থৎপদুদগী লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মরু ওইনা কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক্কী ইপিসেন্টরসু ওইরিবা কেপিটেল কথমান্দুদা খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট কয়া চত্থরকখি।

নেপালগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ প্রোপ্যুলেসন সমির কুমার অধিকারিনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা প্রোটেষ্টশিং অমসুং মীখলগী কেম্পেইনশিংদা কোরোনা ভাইরস লায়চৎ পাক শন্না শন্দোকহল্লকপা য়াই। মীয়াম তিনবা লেপ্লবা ঐখোয়না তত্তনা পাউজেল পীদুনা লাক্লি। তৌইগুম্বসুং পোলিটিকেল ইশ্যুশিংদি ঐখোয়না কন্ট্রোল তৌবা ঙমদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসকী মখাদা লৈবা ইপিদিমিওলোজি এন্দ দিজিজ কন্ট্রোল দিভিজনগী হান্নগী দিরেক্টর বাবুরাম মরাসিনিনা ফোঙদোকখিবদা প্রোটেষ্টরশিংদা নত্রগা মীখলগী মী পুনবদা কোরোনা ভাইরস পাক্তক্লনা শন্দোরকপা য়াবগী রিস্ক লৈ।

গভর্ণমেন্ট অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লেভেলদা কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক কন্ট্রোল তৌবদগী পোলিটিক্সনা হেন্না মরু ওইনা লৌখিবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এপ্রিল অমসুং মেদা মীখল পাঙথোকপা তারবদি নেপালি গভর্ণমেন্টনা মীখলগী চাদিং চাওনা তৌবা মথৌ তাবনি। মসিনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিং লৈবগুম্বা পেন্দমিক কন্ট্রোল তৌবদা চাদিং তৌগদবা রিসোর্ছশিং হন্থহনগনি হায়না মরাসিনা মখা তাখি।

# পুলিস পর্সনেলনা হাৎখিবা মমা-মচাগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে

পানিকি, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
ফিলিপিন্সতা দ্যুটি তাদবা পুলিস পরস্নেল অমনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা নুপী অমা অমসুং মহাক্কী মচানুপাগী হকচাংশিং মীওই চা কয়ানা শরুক য়াদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

থৌদোক অদুগী ভিদিও অমা সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবা মতুং চয়োল অমা কান্নরগা মমা-মচাগী মথৌ মঙম পাঙথোকখিবনি। থৌদোক অদুদগী মীয়াম্না পুলিসকী কা হেনবা থৌওংশিংবু কন্না য়ানিংদবা উৎখি। কেপিটেল মানিলাগী অৱাংদা লৈবা টার্লাক প্রোভিন্সতা লাঙবগী ৱাহৌদগী ঙাংন শক্লদুনা য়েংনখিবা মতুংদা কোক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা মশাগী চহী ৫২ শুরবী সোনয়া অমসুং মশাগী চহী ২৫ শুরবা মহাক্কী মচানুপা ফ্রেঙ্ক গ্রেগোরিওগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী থৌরম অদুদা মরী মতাশিং, মরুপ মপাংশিং অমসুং মীয়াম্না শরুক য়াখি হায়রি।

গ্রেগোরিওগী ইমুংগী মীওই অমনা মোবাইল ফোনদা রেকোর্ড তৌহৌবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুবু ক্রিটিকশিং অমসুং হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেনো দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জং অদুনা ক্রাইম কয়া তৌরবসু পুলিসপু ৱায়েল মায়োক্লহন্দে হায়রি।

ভিদিও অদুদা গ্রেগোরিও মমা মচাগা পুলিস পার্সনেল জোনেল ন্যুজকগা ন্যু য়র সেলেব্রেসনদা শীজিন্নবা য়ুমদা শাবা নিল খোঙবা থোকহনবা দিভাইস অমগী মতাংদা য়েংনবা অমদি জোনেলনা ঙাইহাক্কী মনুংদা মচা মচাবু হাৎপগী শক্তম উখি। মীহাৎপা ন্যুজক থৌদোক থোক্লিবা নুমিত্তুগী নুমিদাং অথেংবদা পুলিসতা সরেন্দর তৌখি। মহাক মী হাৎপগী মরাল শিখি। গভর্ণমেন্টনা থৌদোক অদু মপুং ফানা থিজিনগনি হায়না থাজবা পীখি।

# য়ু কেদা মীওই চা কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
য়ু কেদা মতিক ময়াই লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎ বেলা য়ৌরক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা মীওই চা কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে।

নোংলৈ নুংশিৎ বেলা নকশিল্লকখিবগা লোয়ননা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ু কে শিন্থুংনা ঈশিং ঈচাওগী এলার্ট অমসুং ৱার্নিংশিং ইশ্যু তৌখি। মেট ওফিসকী মতুং ইন্না নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা ইংলেন্দ, ৱেলস, নোরর্দন আইরলেন্দ অমসুং সাউর্দন স্কোটলেন্দগী মফম কয়াদা অকনবা নুংশিৎ শিৎহনবগা লোয়ননা নোং কন্না চুহনগনি হায়রি।

খৃষ্টমাস নুমিত্তা বেদফোর্দ বোয়রগী রিভর গ্রেট আউসিগী মপানদা তাবা ইমুং ১,৩০০ হেন্না ময়ুম মকৈ থাদোকহন্দুনা শাফগদবা মফমশিংদা লৈহনখি। ঈচাওনা অৱাবা নঙহল্লবশিংবু মতেং পাংবা লোকেল ইভান্যুএল সেন্টরশিং শেমখি।

# গল্ফ অরব মিনিষ্টরশিংনা দিপ্লোমেটিক্কী য়েংনবা লৈখাই তানবগী খোঙথাংশিং খন্নরগনি



দুবাই, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
গল্ফকী অরব লৈবাকশিংনা লমদম অদুগী তংদু লৈতাবগী ফীভমদা শোকহল্লিবা অমসুং ৱাশিংটননা ইরানগী মায়োক্তা এলাইএন্স অমা শেম্নবা হোৎনবদা অপনবা পীরিবা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা য়েংনবা অমা লৈখাই তানবগী খোঙথাংশিং খন্ননবা চহীগী ওইবা সম্মিট অমা পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা লৈবাকশিং অসিগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ভার্চ্যুএল মিটিং অমা পাঙথোক্লগনি।

অরাব ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী ভার্চ্যুএল মিটিং অদু বহরেননা থৌবু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি। কটারবু টেরিরিষ্ট গ্রুপশিং শৌগৎলি হায়না মরাল শিরদুনা সাউদি অরাবিয়া, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং বহরেননা কুমজা ২০১৭ দা লৈবাক অসিগা লৈনরিবা দিপ্লোমেটিক মরীশিং থগৎখি। দোহানা ৱাফম অসিবু য়াওদবগা লোয়ননা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংনা লৈবাক অসিগী সোবরেন্টিগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনরকপনি হায়রি।

অদুম ওইনমক রিয়াধনা য়েংনরিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা রিজেল্যুসন অমা লৌবা য়ানবা হোৎনখি। য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইনবা খল্লবা জো বাইদেনগী মায়কৈদগী অকনবা ত্রিটিসিজম লাক্তনবা হোৎনরদুনা রিয়াধনা রিজোল্যুসন অমা লৌনবগী ৱাফম অসি পুখৎখিবনি।

থৌবু ওইরিবা বহরেননা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি। গল্ফ কোওপরেসন কাউন্সিলগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা জন্যুৱারি ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা জি সী সী সম্মিটকী ৪১ শুবা সেসনগীদমক শেম শাগনি। গল্ফ ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা য়ান্নবা অমা পুরক্লবা ৱারী শান্নদুনা লাকখি। হৌজিকসু ৱারী শান্নবা লেপাত্রি। সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না, সম্মিট অদুদা এগ্রিমেন্ট অমা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মদুনা নিগোসিএসনগী প্রিন্সিপলশিং লৈহনবগা লোয়ননা কটারপু অমুক হন্না এয়রস্পেস শীজিন্নবা য়াহন্নবগী হেন্না মশক থোকপা খোঙথাং অমা লাকহনবা য়াই হায়খি।

তৌইগুম্বসুং কটারনা য়েংনরিবা ৱাফম অদুগী মিদিয়েটরশিং ওইরিবা কুৱেট অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ফোরেন পোলিসি য়াওনা রিজোল্যুসন খুদিংমক অমগা অমগা ঈকায়খুম্নবদা য়ুম্ফম ওইহনগদবনি হায়খি।

দোহাদা অরব লৈবাকশিংনা দিমান্দ ১৩ তৌরি। দিমান্দশিং অদুগী মনুংদা অল জজীরা টেলিভিজন থিংজিনবা, টর্কিস বেজ অমা থিংজিনবা, মুস্লিম ব্রদরহুদকা মরী থম্নবা লেপ্পা অমসুং ইরানগা মরী থম্নবা হন্থহনবা য়াওরি।